**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকা ঐগী ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা তঙাইফদে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

৩) মণিপুর তম্পাক্কী জিলা মঙাদা ভি.পি.এন সার্ভিস য়াওনা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিস- মোইবাইল দেটা সার্ভিসকী অথিংবা মখা তানা নুমিৎ নিনি শাংদোকখ্রে।

৪) চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- কটারনা ভারত্তা অয়েৎ অপন য়াওদনা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীরে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি- মণিপুর ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা অপিকপা ভারত অমনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকা ঐগী ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা তঙাইফদে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়ামা মশা মশাগী ফুরুপ কাংলুপতা হেন্না মীৎয়েং থম্বগী মহুৎতা মশাবু অহানবদা ভারত মচা ওইনা অদুগা মথংদা মণিপুরী ওইনা শক তাকবা আপীল তৌরি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মুখ্য মন্ত্রিনা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, খরনা যাত্রা হুনখি। মহাকা শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা মল্টি লেবেল পার্কিং ফেসিলিতি অমসুং ইন্টর ষ্টেট এন্দ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর এন্দ ইকোনোমিক ত্রান্সপোরটেসন হব য়াওরি। খাবাদুইকুংদা মল্টি পরপজ কম্ম্যুনিতি বিল্ডিং অমা অমসুং সাংকুমাই খুলদা অতোপ্পা মল্টি পরপজ বিল্ডিং অমসু শঙ্গাখি। শ্রী খেমচান্দনা সাসি স্কিমগী মখাদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ৬৯ শানবসু যাত্রা হুনখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মরুওইরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসিনা জিলা অসিগী কন্নেক্তিভিতি শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎহল্লগনি অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী থবক খুদোংচাহন্দুনা জিলা অসিগী মীয়ামগী শেনমিৎলোন ফগৎহল্লগনি অমদি খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মল্টিপরপজ কম্ম্যুনিতি বিল্ডিংশিং অসিনা খুনাইগী ওইনা অমগা অমগা উন্নবা, অমত্তা ওইবা শক্তম শাগৎপা, কলা সংস্কৃতিগী মরমদা খন্ন-নৈনবা অমসুং ফুরুপ মনুংদা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্নবগী মরুওইবা মফম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি। শাশিগী মখাদা অঙ্গনৱাদি সেন্তর ৬৯ শানবা যাত্রা হুল্লিবা অসিনা তুংগী মীরোলদা অঙাং ওইরিঙৈদা চেকশিন্না য়েংশিনবীবা অমসুং প্রি-স্কুল শিক্ষা পীবতা নত্তনা থবক তৌরিবা মমা মপাশিংদসু মতেং ওইরগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৌখৎলিবা থবকশিং অসিনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা, খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তগী হৌনা শক্তি পীবা অমসুং হেন্না মতিং লৈবা খুনাই অমা

শেমগৎনবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়বদু উৎলি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়- রাজ্য অসিদা শান্তি পুরক্কুনা চাওখৎ মাইকৈদা চংশিমিন্নবগী মতম ওইরে। সেনাপতি জিলাদা খুন্দারিবা মরুওইবা ফুরুপশিংনা মমাং থক্তগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী অপাম্বা ফোংদোক্কুনা লাক্লি। হৌজিকসু লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা লৌরকপা খোঙথাংশিংদা মপুং ফানা শৌগৎলি।

মদুগী মমাংদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা থুংলবদা জিলা অদুগী ফ্রন্তেল ওর্গনাইজেসনশিং, এন.পি.ও, এস.দি.দব্লিউ.এ অমসুং এস.দি.এস.এনা হরাউ তয়ামা ওকখি। ঙসিগী থৌরমদুদা এম.এল.এশিংসু শরুক য়াখি।

কার্ফিয়ু(এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা কার্ফিয়ু থম্লক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

ইন্তরনেট (এল)ঃ ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী য়েংলগা মণিপুর তম্পাক্কী জিলা মঙা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ভি.পি.এন সার্ভিস য়াওনা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিস- মোইবাইল দেটা সার্ভিসতা অথিংবা থম্লম্বা অদু ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী পারগা মখা তানা নুমিৎ নিনি শাংদোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার কম সেক্রেতরি হোমনা থোকপা হুকুম অমগী মতুংইন্না হায়- রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি সরকারনা কুপা য়েংশিল্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা জিলা মঙা অসিদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মখা তানা ভি.পি.এন সার্ভিস য়াওনা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিস- মোইবাইল দেটা সার্ভিসতা অথিংবা অসি থম্বনি।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফমশিং অমসুং তাইজাংলোমদা চৎপা উমংদা ঙসি এস.পি. চান্দেলগী মীৎয়েং মখাদা ৮ শুবা এম.আর অমসুং ৪৩ শুবা অসাম রাইফলসনা পুন্না ওপরেসন চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

ঐখোয়গী চান্দেল পাউমীনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- চান্দেল পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা সালুক পোষ্টতগী অককবা পাউ ফংবদগী ওপরেসন অদু চত্থখিবনি। ফাগৎলবা খুৎলয়শিং অদুগী মনুংদা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, শেমদোক্লবা মেগজিনগা কোন্নবা এম.পি. ফাইভ রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা, কন্ত্রিমেদ করবাইন মরি, কন্ত্রিমেদ সিঙ্গল বেরেল অহুম, লেথোদ গন মরি, পোম্পি তরেৎ, পোম্পি সেল মঙা, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী মরু ১৫, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী মরু ১১ অমসুং বাউফেং ৱাঙ্কি টোক্কি ৫ য়াওরি।

কন্দেম (এল)ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা থোকখিবা থৌদোক্তা অঙাং অনি লৈখিদবা অমদি মীয়ামগী খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীচম অহুমগী পুন্সি মাংহনখিবা অদুবু জনতা পার্তি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। জনতা পার্তিগী চেরোল অমনা হায়- থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা দল অসিনা শরুক য়ারি। কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু লোয়ননা এন.আর.সি তৌরবা মতুংদা মীকোক থীবগী থবক পাঙথোক্কদবনি হায়না তকশিল্লি।

ৱাকৎ (এল)ঃ  পীক্লিবা অঙাং অনিবু বোম কাপশিন্দুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু হায়না ঙসি কামোংগী নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। কামোংগী লৈকাই মাপলদা লৈরিবা মৈরা পায়বীশিংনা ত্রোংলাউবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম চত্থদুনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। খোঙজং অদুদা নেসনেল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান

ৱিমেন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইস্নাম সখি দেবীসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুবু ওল মণিপুর ধর্ম্ম রক্সা সমিতিনসু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। সমিতিগী চেরোল অমদা হায়- থা ৬ কী অঙাং য়াওনা পিক্লিবা অঙাং অনি হাৎখিবা অদুগা অপোকপী মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক অসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে। থৌদোক অসি মীওইবা খুনাইদা চাউনা শিংনবনি। মখা তানা তুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা সরকার অমদি মরী লৈনবশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি।

ত্রোংলাউবীগী থৌদোক অদুবু রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস) মণিপুর প্রান্টনসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিতিনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎতুনা অৱাবা নংহৌরিবা ইমুং মনুংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়নসু তকশিল্লি।

এনআরসি (এল)ঃ রাজ্য সরকারনা লমদম অসিগী তুংগী লাক্কদবা মীরোল অমদি লমদম অসিগী মরাইবক অফবতা ওইহনগে হায়বা ৱাখল্লোন্না মাং থারগা মীকোক থীবগী মতম য়ৈথোকপীয়ু। ইং ১৯৫১ গী মীকোক থীবদা যুম্ফম ওইরগা এন.আর.সি হান্না পাঙথোকপীয়ু হায়না সলাই কনবা লুপ (সি.সি)না সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- লমদম অসিদা নিয়ম কায়না মীতোপ কয়া চংশিল্লকপনা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি ওইহল্লকপনি। মসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্কে হায়রবদি এন.আর.সি নিংথিনা তৌদুনা মীতোপ খন্দোকপা তঙাইফদে।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাগী তৌবুমাই খুলদা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা নুঙবু ইরাৎতুনা পাঙথোকপা তৌবুমাই তুফা চবা ওনি ২০২৬ ঙসি নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সোভিনিয়র অমসু ফোংখি। থৌরম অদু নুমিৎ চুপা হয়েং তৌবুমাই খুলদা পাঙথোক্কনি। খুল অসিদা মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা নুঙপাক অসিনা খুঞ্জাশিংদা

মহৈ-মরোং অমদি থকনবা ঈশিং ফংহন্দুনা লাকখি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোক্কুনা লাকপনি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল লাইভ ষ্টোক মিসন (এন.এল.এম)গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ হুমি চথুরকপা হমেং লোইবগী ত্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে। সাইন্তিফিক রিয়ারিং ওফ গোট হায়বা হিরমদা জিলা অসিগী ভেটেরিনারি ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা লাম্বুং অমসুং লীৱা চনিং খুলদা ত্রেনিং পাঙথোকখি। ত্রেনিং অদুদা মাইকৈ অদোমদা লৈরিবা লৌমী, নুপী অমসুং নহাশিংনা শরুক য়াখি।

পুরি ঃ কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- কটারনা ভারত্তা অয়েৎ অপন য়াওদনা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীরে।

ৱাফম অসি মন্ত্রিনা কটারগী ইনর্জি এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি, কটার ইনর্জিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সি.ই.ও সাথ সেরিদা অল কাবিগা উন্নরবা মতুংদা ফোংদোকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়- লৈবাক অনিগী লুচিংবশিংনা উন্নবা অদুদা ভারত অমসুং কটার লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমদি লল্লোন ঈতিক্কী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। উন্নবা অদুদা নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। লোয়ননা আমেরিকা অমসুং ইরান অনিগী মরক্তা চয়োল অনি খুৎ থোকদনবা য়ান্নখিবা ৱাফম অদুবুসু লৈবাক অনিনা তরামা ওকখি।

জয়শঙ্কর ঃ মাউরিসিয়সকী পোর্ট লুইসতা চথুরিবা ৯ শুবা ইন্দিয়ান ওসিন কনফরেন্সতা শরুক য়ারিবা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা

ঙসি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নখ্রে।

ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙসি মাউরিসিয়সকী রাষ্ট্রপতি ধরমবির গোখুলগা উন্নখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মন্ত্রিনা মাউরিসিয়সকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং মিলিন্টে সোসিয়েলিষ্ট পার্তিকী লুচিংবা প্রবিন কুমার জগনাউথকসু উন্নখি।

কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রিনা সেচিল্লিসকী ফোরেন মন্ত্রি বেরি ফোরেগসু উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- সেচিল্লিসতা হৌজিক থোক্লিবা শেল থুমগী খুদোংচাদবা কয়া অসিদা ভারতনা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, ডাঃ জয়শঙ্করনা ভুতানগী ফোরেন মন্ত্রি দি.এন. দুংঙেলগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংদা খুমাং চাওশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

পিএম ঃ লৈবাক অসি শেমগৎপদা নহারোলগী শক্তিবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎলি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিং অসি করিগুম্বা অমা তৌগে হায়নবু ৱারেপ লৌখ্রবদি মদু থবক্তা হেক্তা ওন্থোক্তুনা উৎলি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী নহাশিংগী থৌনা অমসুং শক্তিদগী লৈবাক অসিনা চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লি।

অসাম ঃ অসাম ষ্টেট স্কুল ইজ্কেসন বোর্দনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা ফল ঙসি লাডথোক্লে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৬৫.৬২ নি। পুন্না মহৈরোই লাখ ৪ লিশিং ২৯ পরিক্ষা থাবদা নুপামচাশিংগীনা চাদা ৬৭.৭৮ অমসুং নুপীমচাগীনা চাদা ৬৩.৯৬ পাস তৌরে। বজালি জিলাগী পত্তাচারকুচিদগী জ্যোতিরমোই দাসনা মকোক ওইরে।

চম্পারন ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি চম্পারন সত্যগ্রহগী ১০৮ শুবা কুমওন পাঙথোক্লি। ইহৌ অসি মহাত্মা গান্ধিনা লুচিংবা ভারতকী নীংতম লানগী য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা ইহৌ অমনি। ইং কুমজা ১৯১৭ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা বিহারগী চম্পারন জিলাদা নিম থারিবা লৌমীশিংগী অৱাবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা ইহৌ অসি হৌদোকখিবনি। ইহৌ অসি লৈবাক অসিদা মহাত্মা গান্ধিগী সত্যগ্রহগী অহানবা চাংয়েং ওইনসু খঙনৈ।

নিতিশ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাজ্য সভাগী হান্নগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন হরিবন্সপু রাজ্য সভা মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌখ্রে। শ্রী হরিবন্সকী রাজ্য সভা মেম্বর ওইবগী মতম ঙরাং লোইখিবনি।

শ্রী নিতিশ কুমারনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমার ঙসি রাজ্য সভা মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। উপ-রাষ্ট্রপতিসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা শ্রী নিতিশ কুমারবু পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী লুচিংবা জে.পি. নদ্দা, শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন, ফিসজিরিজ মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন, পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি আর্জুনরাম মেঘৱাল, কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশ, বিহারগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি সমরাত চৌধরি য়াওখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

মরাথোন ঃ য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা এথলেতিক এসোসিয়েসন মণিপুরগা খুৎশমরগা রন ফোর য়োর নেসন হায়বা পান্দমদা পাঙথোক্কদবা ১৪ শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০২৬ রাজ্য অসিগী ইরাংনা মরম ওইরগা মতম খরা য়ৈথোক্লে হায়না ফ্রন্টকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

বেদমিন্টন ঃ চাইনাগী নিংবোদা চথুরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপসতা ভারতকী সট্টলর-আয়ুস সেথি নুপাগী সিঙ্গলসদা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মহাকা মালেমগী ওইনা মরিসুবা মফমদা লৈরিবা ইন্দোনেসিয়াগী সট্টলর জোনাথন খৃষ্টিবু ২৩-২১ অমসুং ২১-১৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংলকখিবনি।

আইপিএলঃআই.পি.এল. ক্রিকেটতা ঙসি রাজস্থান রোয়েলসকা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা হৌজিক গুৱাহাতিগী এ.সি.এ. ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

------